**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-10.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বি.জে.পিগী হৌজিক চথরিবা মেম্বরসিপ দ্রাইভ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঙসি হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

২) আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী কম্মিসনার এম. জোয়না হায়রি- লাইব্রেরিনা হৌরক্লিবা নহাশিং পুকিং লৌশিং হেনগৎহন্নবা অচুম্বা অমদি অফবা লম্বীদা লমজিংবদা অচৌবা মতেং ওইরি।

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মনকি বাট- পুকিংগী ৱাগী ১১৫ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিদা শন্নে দাক্কনি।

৪) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- ডোক্তরশিংনা মনুং হঞ্জিনবা খুঙ্গংগী লমশিংদা চহি খরা কৎথোকপগা লোয়ননা মীয়ামগী থবক তৌশি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ২৮ দা গুজরাত্তা লুপা কোতি লিশিং ৪,৯০০ গী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগী যাত্রা হুনগনি, খরনা শঙ্গাগনি।

------

সিএম (এল)ঃ  ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি.জে.পি)গী হৌজিক চথুরিবা মেম্বরসিপ ড্রাইভকী ফিভম মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঙসি হকথেংননা য়েংশিনখ্রে। ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবমদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মেম্বরসিপ ড্রাইভ চথুরিবা অসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা য়েংশিনখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- দল অসিদা অনৌবা মেম্বরশিং য়াওরক্লিবা মখৈ দল অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা বি.জে.পিনা থল্লিবা মীয়ামগী সেবা তৌবা হায়বা পান্দম অদু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি। মেম্বরসিপ ড্রাইভ অসিদা শরুক য়ারিবা মীপুম খুদিংমকপু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা শ্রী বিরেন্না হায়- মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা শেমগৎনবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নরশি।

অমরোমদা, নুমিৎ নিনি চথুগদবা বি.জে.পিগী মেগা এনরোলমেন্ট ড্রাইভ ঙসি বি.জে.পি ইম্ফাল সেন্ত্রেল দিষ্ট্রিক্টনা শিন্দুনা মীতৈ লাঙ্গোলদা পাঙথোকখি। থৌরমদুদা রাজ্য সভাগী সদস্য মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবা অমসুং জেনেরেল সেক্রেটরি কে. শরত শরুক য়াখি।

এনরোলমেন্ট ড্রাইভ অদুগী মতাংদা বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং এনরোলমেন্ট ড্রাইভ মণিপুরগী ইনচার্জ এন. নিম্বসনা হায়- হন্দক্কী টাম অসিগী ওইনা মেম্বরসিপ ড্রাইভ ভারত পুম্বগী ওইনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মমাং থাগী তাং ২ দা হৌদোকখিবনি। অদুগা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী ওইনা সেপ্তেম্বর ৩ দগী হৌদোকখিবনি। শ্রী নিম্বসনা হায়- হন্দক্কী টার্মগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা বি.জে.পিগী অপুনবা মেম্বর কোতি ১০ হেল্লে। মমাংগী টার্মদা কোতি ১৮ য়ৌখ্রবসু হন্দক্কী টার্ম অসিদসু বি.জে.পিনা খ্বাইদগী চাওবা দল ওইরে।

শ্রী নিম্বসনা হায়- মণিপুরগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা মেম্বর লাখ ৩ হেল্লে। ঙসি চথুখিবা এনরোলমেন্ট ড্রাইভ অসি সেপ্তেম্বর ৩ দগী হৌখিবা অদুগী মখা চথুরকপনি। ঙসিসু বি.জে.পিগী মন্ত্রি অমদি এম.এল.এশিংগী কেন্দ্রশিংদা এনরোলমেন্ট ড্রাইভ পাঙথোকখি হায়না শ্রী নিম্বসনা মখা তারি।

লাইব্রেরি (এল)ঃ আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী কম্মিসনার এম. জোয়না হায়রি- লাইব্রেরিনা হৌরক্লিবা নহাশিং পুকিং লৌশিং হেনগৎহন্নবা অচুম্বা অমদি অফবা লম্বীদা লমজিংবদা অচৌবা মতেং ওইরি। মরম অসিনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা লাইব্রেরিশিংগী ফিভম ফগৎহনবা তঙাইফদে।

ইফেক্তিভ ফঙ্কসনিং ওফ এন.জি.ওজ রন লাইব্রেরিস হায়বসিদা মণিপুর সরকারগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগ অমসুং ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি ইম্ফালনা শিন্দুনা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরিগী হোলদা ঙসিদগী হৌদুনা হয়েং ফাওবা চথগদবা ৱার্কসোপ হৌদোকপগী থৌরমদা শ্রী জোয়না মখা তানা হায়- লাইব্রেরি লৈবগী কান্নবা অমদি লাইব্রেরিনা মীয়াম য়াওনা মপুংওইনা নহাশিংদা হিরম কয়াদা গ্যান পীরি। মরম অসিনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লাইব্রেরি লিংলিবা এন.জি.ওশিংনা লাইব্রেরিশিং অসি মতমগা চুনবা মশক থোকপা অফবা লাইব্রেরিশিং ওইহন্নবা চপ চাবা থৌদাং অদু লৌশি। মসিনা লাইব্রেরি ফগৎহনবতা নত্তনা খুন্নাই অসিবু অফবা খুনাই ওইহনবদা অচৌবা মতেং ওইবা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সনশিংনা লাইব্রেরি করমা চলাইগনি হায়বনচিংবা ৱাফম য়াওনা লাইব্রেরিগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি।

এসসিইআরটি (এল)ঃ  মণিপুর সরকারগী এস.সি.ই.আর.টি দাইরেক্তোরেটনা শিন্দুনা লমফেলদা লৈবা দাইরেক্তোরেট অসিদা নোংমগী ওইবা দিভলপমেন্ট ওফ জেনেরেল নোলেজ ওফ মণিপুর হায়বা হিরম অসিদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু মণিপুরগী পুৱারী অমদি লম্মিৎলোনগী মতাং য়াওনা রাজ্য অসিবু মশক তাকপদা চংবা মরুওইবা মচাকশিং হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংদা খঙহন্নবা পান্দমদা পাঙথোকপনি।

মনকি বাটঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মনকি বাট- পুকিংগী ৱাগী ১১৫ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিদা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং

ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি।

মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিগী ৱারোল পীবা হেক লোইবগা শন্দোক্কনি। মসি হয়েং নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিং- পৌমাই, মার, পাইতে, কবুই, থাদৌ, মাও অমসুং তাঙ্খুলদনা মথং নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

সেনা (এল)ঃ শিব সেনা মণিপুর প্রদেশনা হায়রি- মণিপুরদা হৌজিক য়াম মক তঙাইফদ্রিবা অসি মীয়াম পুনশিনবা হায়বসিনি।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা বালা সাহেব উধব থাক্রে ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দলগী প্রসিদেন্ট এম. তোম্বীনা হায়- মীহাৎ মীপুনগী থবক তোক্কুনা ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরকপা হায়বসিনা অমত্তা ঙাইরবা পান্বেনি। শ্রী তোম্বীনা হায়- নেসনেল হাইৱেশিংদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং অশোই অঙাম য়াওদনা পুশিল্লকবা রাজ্য অসিদা লৈরিবা কেন্দ্রগী পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং থাজিনবগী তঙাইফদবা লৈ। মখোয়বু ষ্টেট ফোর্সনা মতেং পাংহনগদবনি।

হাইৱেশিংদা আইন কায়না টেক্স খোমগৎপনা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিংগী আতিয়া পকা ৱাংখৎলক্লি। শ্রী তোম্বীনা হায়- মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা হন্দক্তা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহদা ৱাফম মরি য়াওবা মেমোরেন্দম পীশিনখি। মদুগী মনুংদা নেসনেল হাইৱেশিংদা মণিপুরী মীতৈ-মৈতৈশিং অশোই অঙাম য়াওদনা চৎথোক চৎশিন তৌহনবা, কিলোমিতর ৩৯৮ শাংবা ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিং শম্বল খাবগী থবক অথুবা মতমদা লোইশিনহনবা, এন.আর.সি অথুবা মতমদা চৎহনবা অমসুং লাঞ্জেন্নরিবা মীওই লিশিং ৬৫ রোমগী লৈফম চাফম নিংথিনা শেন্বীনবা হায়জখি। মহাকা হায়- মণিপুরদা এন.আর.সি চৎনহনবা মতমদা বাইওমেত্রিক লৌবগী মহুৎতা মীৎতগী ওইনা লৌবনা অচুম্বা খঙবা ঙমগনি। শ্রী তোম্বীনা হায়- হন্দক্তা সিভিল এভিএসন মন্ত্রিদা চিঠি ইদুনা মণিপুরদগী অতৈ রাজ্যশিংদা চৎলিবা

পেসেঞ্জরশিংগী ওইনা ময়ামদা লৌনরিবা এরোপ্লেন ভারাদগী খরা হন্থনা লৌবীনবা হায়জখ্রে।

নোনে (এল)ঃ  জিলা থাক্কী কলা উৎসব ঙসি নোনে জিলাগী তেংকোনজাং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। রাজ্য সরকারগী জোনেল ইজ্‌কেসন ওফিসনা শিনবা থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা কেটগোরি মঙা- ডান্স, ভোকেল ম্যুজিক, থিয়েটর, ভিজ্‌য়েল আর্ট, ত্রেদিসনেল ষ্টোরি টেল্লিং চাংদমবদা মকোক মথং তাখ্রবা স্কুলশিংগী মীং লাউথোকখ্রে। অহানবা পোজিসন তাখিবা স্কুলশিং নোনে জিলাগী মহুৎ শিন্দুনা রাজ্য থাক্কী কলা উৎসবদা শরুক য়াগনি।

য়েলহৌ (এল)ঃ নুমিৎ হুমি চখ্থগবা য়েলহৌ শৈহেক শৈদা শৈদিন্নবা থৌরম ককচিং জিলাগী থুমখোংমাং হিদাকথা কোঞ্জিনদা লৈবা পানা লিক্লাই লোইশং ককচিংদা হৌখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দি.সি ময়াংলাংবম রাজকুমার শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী নুপামচা অমসুং নুপীমচা ২৯ ইন্দিভিজ্‌য়েল ফোল্ক সোং কম্পিতিসনদা শরুক য়াখি।
সেমিনার (এল)ঃ ইমপ্লোইমেন্ট এন্দ স্কিল দিভলপমেন্ট ত্রেনিং এন্দ রিক্রুতেদ ফোর ইজ্‌কেতেদ য়ুথস হায়বসিদা নোংমগী ওইবা কেরিয়র গাইদেন্সকী সেমিনার অমা কাংপোকপী জিলাগী এল.এন.সি হোতেলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কাংপোকপী জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ওফিস অমসুং এমপোরিয়ম কন্সলটেন্সি প্রাইভেট লিমিতেদকা পুন্না খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নহা ১৫০ রোম শরুক য়াখি।

ত্রেনিং (এল)ঃ  চান্দেল জিলাগী মোদি খুলদা নুমিৎ হুমি চুপা চখ্থরকখিবা মহৌশাগী ওইবা লৌউ পথাপতা শা-ষনগী কান্নবশিং হায়বসিগী মতাংদা মীয়াম্বু ভাব তাহনবগী থৌরম লোইশিনখ্রে। আই.সি.এ.আর-কে.ভি.কে চান্দেলনা শিনবা থৌরম অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি। হোর্তিকলচরগী মরু মরাংশিংসু লৌমী ৪২ দা য়েন্থোকখি।

ডান্স (এল)ঃ    ক্লাসিকেল মণিপুরী সোলো ডান্স ফেষ্টিভেল ঙসিদগী জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদমিদা হৌদোকখ্রে। নুমিৎ হুমি চথুগদবা ফেষ্টিভেল অসি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিনা শিনবনি। ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা মীওই অনিনা সোলো ডান্স উৎখি।

মৈ (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী মনুং চন্না লৈবা থার্তি থ্রি কে.ভি কারোং-কাংপোকপী লাইনগী এস.চঙৌবুং খল মনাক্তা লৈবা সব-ষ্টেসন হোংদোকবগী থবক চথুগদবনা মরম ওইদুনা থা অসিগী ২৯ গী অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা মৈ মুৎকনি। হায়রিবা সব-ষ্টেসন অসি ইম্ফাল-কোহিমা লম্বী পাকথোকপনা মরম ওইদুনা হোংদোক্কদবনি। ময়াংখাংনা সব-ষ্টেসন্না কোনবা মফমশিংদা হায়রিবা মতম অসিদা মৈ ফংলোই।

রাষ্ট্রপতি ঃ    রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- ডোক্তরশিংনা মনুং হঞ্জিনবা খুঙ্গংগী লমশিংদা চহি খরা কৎথোকপগা লোয়ননা মীয়ামগী থবক তৌশি।

ছত্তিসগরগী রাইপুরদা লৈবা য়ুনিভর্সিতি ওফ হেলথ সাইন্সেস এন্দ আয়ুসকী কনভোকেসন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- ছত্তিসগরগুম্বা রাজ্য অসিদদি তোঙান তোঙানবা অনা লায়েংগী মনা মশিং কয়া মরাং কায়না ফংলি। মনা মশিংশিং অসিবু থিগৎপা থবক তৌরিবা মীওইশিংবু পুকিং থৌগৎপীগদবনি।

মসিগী মমাংদা ভিল্লাইদা লৈবা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজি ভিল্লাইগী কনভোকেসন থৌরমদসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা শ্রীমতি মুরমুনা হায়- ত্রাইবেল মীয়ামদি মহৌশাগী ওইবা পুন্সি মহিংদা হিংদুনা গ্যানশিংগী তুংনফম ওইরি। ত্রাইবেল মীয়ামগী পুন্সি মহিংদগী ঐখোয় পুমমকা লৈবাক অসিবু চাওখৎপা লম্বীরোমদা পুনবা তমজনিঙাই ওইরি। রাষ্ট্রপতিনা হায়- লৈবাক অসি মপুংফানা চাওখৎলে হায়বসি ত্রাইবেল মীয়ামা চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংদা চাউনা শরুক য়ারক্লবা মতমদনি। রাষ্ট্রপতিনা মহৈরোইশিংদা সনাগী তকমানসু য়েন্থোকখি।

স্পেন ঃ স্পেনগী রাষ্ট্রপতি পেদ্রো সঞ্চেজ নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা হয়েং ভারত্তা থুংলগনি। মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী চেরোল অমনা হায়- খোঙচৎ অসি রাষ্ট্রপতি সঞ্চেজগী অহানবা ভারত খোঙচৎনি। চহি ১৮ গী তুংদা স্পেনগী রাষ্ট্রপতি অমনা ভারত্তা লাকপনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা লৈবাক অনিগী ওইবা অৰাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোক্কনি।

মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করগসু রাষ্ট্রপতি সঞ্চেজগা উন্নগনি। শ্রী সঞ্চেজনা মুম্বাইদা চত্তুনা লল্লোল ঈতিক অমসুং উদ্যোগকী লুচিংবশিং, ফিলমগা মীওইশিংগসু উন্নগনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিগী মনুংদা লৈবাক অনিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা য়ান্ন-ৱারোল কয়াসু সহি তৌনরবা য়াই হায়রি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ২৮ দা গুজরাত্তা লুপা কোতি লিশিং ৪,৯০০ গী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগী যাত্রা হুনগনি, খরনা শঙ্গাগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা নুমিৎ অসিদা গুজরাত্তা চত্তুনা প্রোজেক্টশিং অসিবু শঙ্গাবা অমসুং যাত্রা হুনবগী থৌরম পাঙথোক্কনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা স্পেনগী রাষ্ট্রপতি পেদ্রো সঞ্চেজসু য়াওগনি। মখোয়না সি-২৯৫ শানবা টাটা এয়ারক্রাফট কমপ্লেক্স শঙ্গাগনি। প্রধান মন্ত্রিনা ভারত মাতা সরোভর শঙ্গাগনি। প্রধান মন্ত্রিনা তোঙান তোঙানবা রোড প্রোজেক্ট খরা শঙ্গাগনি, খরনা যাত্রা হুনগনি। শ্রী মোদিনা ভুস-নলিয়া রেল গেজ কনভরসন প্রোজেক্ট জাতিগী মীয়ামদা কৎথোক্কনি। প্রোজেক্ট অসি লুপা কোতি লিশিং ১,১০০ চংনা শেমগৎখিবনি। তুরিজমগা মরী লৈনবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়াসু যাত্রা হুনগনি।

মীখল ঃ মহারাষ্ট্র বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিগী মীরেপ ওইগদবশিংগী অনিসুবা লিষ্ট ঙসি থোকখ্রে। ঙসি থোকখিবা লিষ্ট অসিদা মীরেপ ২২ মীং লাউথোকখিবনি।

অমরোমদা কংগ্রেস অমসুং শিব সেনাগী মীওই ২৩ অমসুং ১৫ য়াওবা অনিসুবা লিষ্ট ঙসি ফোংখ্রে।

রাজ্য অসিদা মীখল মথং থাগী ২০ দা পাঙথোক্কনি। মীরেপচে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ২৯ নি। ভোৎ মশিং মথং থাগী ২৩ দা থীগনি।

মরক অসিদা বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দানা দল অসিগী ঝারখন্দ য়ুনিতকী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইনা সংসদ সদস্য রবিন্দ্রকুমারবু হাপখ্রে।

--শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল)ঃ এস.দব্লিউ.সি কৈরেনা ১৮ শুবা দি.এস.এ ত্রোফি ককচিংগী ৱিন্নর ওইরে। দি.এস.এ ককচিংনা শিন্দুনা চৎথরকখিবা তুরনামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.দব্লিউ.সি কৈরেকা এস.দব্লিউ.সি ৱাইখোংবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখি।

বাস্কেটবোল (এল)ঃ মনিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্টকী ব্রহ্মপুর নহাবম বাস্কেটবোলদা চথুরিবা ২৮ শুবা ষ্টেট য়ুথ বাস্কেটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী ফাইনেলদা ই.এস.য়ুনা ৱাই.ও.এস.সিবু পাঞ্জল ৪২-২৩ থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইরে।

ফুটবোল (এল)ঃ খা মনিপুর কলেজ ককচিংনা শিনদুনা চথুরিবা এ. প্রতাব সিংহ মেমোরিএল মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টর কলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা লিলোং হাওরৈবী কজেলনা এম.বি কলেজবু পাঞ্জল ৮-০ দা, ককচিং খুনৌ কলেজনা স্বারাস্বতি আই.এমবু পাঞ্জল ৪-০ দা মঙ্গোলঙানবী কলেজনা ইম্ফাল কলেজবু পাঞ্জল ২-১ দা অমসুং ৱাই.কে কলেজনা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

স্পোর্টস (এল)ঃ কোংবা ৱুসু একাদমি, কোংবা বজার ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা থা অসিগী ২৪ দগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা চথুরকখিবা অহুম্লক শুবা মণিপুর ষ্টেট ইন্তর দিষ্ট্রিক্ট ৱুসু চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ লোইশিনখ্রে। কোংবা বজারদা লৈবা দুব্লিউ.ৱাই.এল.সি.ও গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা চেম্পিয়নসিপ অসিদা মকোক মথং তাখ্রবা শান্নরোইশিংদা মনা য়েন্থোকখি।

ৱুসু (এল)ঃ ভারত লান্মীনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী খা পোৎশংবম নাচৌদা ওপরেসন সদভবনাগী শরুক অমা ওইনা ৱুসু চেম্পিয়নসিপ ঙসিদগী হৌখ্রে। চেম্পিয়নসিপ অসি থা অসিগী ৩০ ফাওবা চথগনি। হৌদোকপগী থৌরমদা থাং-তা, জগোই, ৱুসু সন্দা দেমোন্ত্রেসন্নচিংবা পাঙথোকখি। চেম্পিয়নসিপ অসিদা শান্নরোই ২০০ হেন্না শরুক য়ারি।

------

--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--

১) বি.জে.পিগী হৌজিক চথরিবা মেম্বরসিপ দ্রাইভ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঙসি হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

২) আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী কম্মিসনার এম. জোয়না হায়রি- লাইব্রেরিনা হৌরক্লিবা নহাশিং পুকিং লৌশিং হেনগৎহন্নবা অচুম্বা অমদি অফবা লম্বীদা লমজিংবদা অচৌবা মতেং ওইরি।

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মনকি বাট- পুকিংগী ৱাগী ১১৫ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিদা শন্‌ দাক্কনি।

৪) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- ডোক্তরশিংনা মনুং হঞ্জিনবা খুঙ্গংগী লমশিংদা চহি খরা কৎথোকপগা লোয়ননা মীয়ামগী থবক তৌশি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ২৮ দা গুজরাত্তা লুপা কোতি লিশিং ৪,৯০০ গী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগী যাত্রা হুনগনি, খরনা শঙ্গাগনি।

--- পাউ লোইজরে---